থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঙসি, ওজাশিংগী নুমিৎনি, খন্থমিন্নসি


ঙসি সেপ্তেম্বর ৫, ওজাশিংগী নুমিৎনি। ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা, তিচর্স-দে হায়দুনা ওজাশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা অখন্নবা নুমিৎ অমা ওইনা পালন তৌনরি। ওজাশিংবু নীংশিংবা, মখোয়বু ঈকায়খুম্নবা, মখোয়গী থৌদাং নীংশিংবা ... করি করম্বা থৌরম্না মতীক চাবা ওইগনি? ঙসিসু খন্থনীংঙাইনি। মহৈরোয় খরা পূল্লপ শেনখায় খরা খায়নবা, ওজাশিংদা অহাও অথুম পীজবা, ঙমজবা খূদোল খূদোনবা, হরাও কূমহৈ পাঙথোকপা ... অয়াম্বা মফমদা পাঙথোক্লরিবা তিচর্স-দে নুমিত্তা মরৈরোয়শিংবু ওজাগী ফিজোল শেৎহল্লগা ওজা ওইনা ক্লাস অমা লৌহনবা, ওজাশিংনা ক্লাসতুদা মহৈরোয় ওইনা ফম্বগী এক্সরসাইজ অমা তৌবগী মওংসু তৌনবা তায়। তুংদা অফবা ওজা অমা ওইনীংবগী অপাম্বা পোক্লবা ত্রেনিং মখল অমনি। অফবা থৌরাং অমনি স্কুল-কোলেজ খুদিংমক্তা 'ওজাগী নুমিৎ অসিগী তঙায়ফদবা অমা' ওইহল্লবদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ওজাগী শীনফম পায়রিবা কনা অমত্তনা মচা-মশু অমত্তবু ওজা ওইহনগে খন্নদে। মাগী মহৈরোয় অমত্তদা ওজা ওইনবা থৌইনশিনসু পীরল্লোই। সর্বপল্লি রাধাকৃষ্ণন, ভারতকী অহানবা ভাইস প্রসিদেন্ত, অনীশুবা প্রসিদেন্ত ওইখিবা মহাক্কী মপোক-কুমওন নুমিৎনি, মঙোন্দা শ্রদ্ধাঞ্জলি (থাজবগী লৈ খূজোক) কৎপনি হায়না ইচম চম্না খন্নবসু কোঙ্গায়নি। ওজা ওইবশিংনসু ওজাগী নুমিৎ - লেকচরদা রাধাকৃষ্ণনগী পুন্সি-ৱারী মতেক লীবা নত্তনা অতৈ করি তৌরনি খনফম খঙদবসু মাল্লি। কুমজা ১৯৬২, সেপ্তেম্বর ৫ দগী ইহান হান্না পাঙথোকপা হৌখিবা ওজাগী নুমিৎ, মতমদুগী সরকারগী ৱারেপ (গভর্নমেন্ত দিসিজন) অমনা পাঙথোকখিবা নৎখিদে। ওজাগী শীনফম অসিবু শীনফম পুম্নমক্তই অথোয়বনি খঞ্জবা, খুন্নাইসিদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক্তগী খ্বাইদই থোইদোক হেন্দোকপা কোক (ব্রেন) লৈবা মখোয়দুতনা ওজাগী শীনফম পায়গদবনি হায়না থাজজবা, ইন্দিয়ন সোসল ভেল্যু অমদি ফিদমদুদা ঙাওজবা সর্বপল্লি রাধাকৃষ্ণন্না ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদা মহাক্না মহৈ তন্বীরকখিবা মহৈরোয়শিং অমদি চান্নবা মরূপ-মপাঙশিংনা মহাক্কী মপোক নুমিৎ (সেপ্তেম্বর ৫) অসিবু নীংশিংনবা 'করি থৌরম পাঙথোকউগে' হংলুবদা মহাক্না খুল্লকখিবনি ...'ঐবু নীংশিংবীবদা লমদমসিদা লৈরিবা ওজা পুম্নবু নীংশিংবীয়ু, অফবা ওজা লৈতনা, অফবা খুন্নাই লৈফরোই, অফবা লৈপাক ওইফরোই ... ঐগী ঈপোক নুমিৎ ওইনা থৌরম পাঙথোকপীগনু ওজাগী নুমিৎ হায়দুনা ওজাশিংদা কথোকপীয়ু' ...। কয়াদা ৱাংখ্রবা ৱাখল্লোন্নো! থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌখ্রবা মতূং চহী নিফুতরুক হৌখরে, ওজাশিংগী থাক কদায়ৱাইদা লৈরিবগে? অখন্নবা ওজা অমা খনগত্তুনা করম্বা লৈঙাক্না কৈদৌঙৈ ঈকায়খুম্নবীখ্র'গে? ও ... শান্নরোয়বু তাকপী তন্বীবা ওজা খরা খনগত্তুনা 'দ্রোনাচার্য' এৱার্দ হায়দুনা মনা অমদি পীবীবরা?

চহী চনী য়াঙখৈ মীনায় ওইরম্মী নীংশিংহনবা 'নীংতম নুমিৎ' অমদি মশা মরোমদোম লৈপাক অমা ওইনা লেপচবা হৌখিবা 'রিপব্লিক দে' বুদি লৈপাক সীনবা থুংনা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না গভর্নমেন্টকী থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্লগা, লৈপাকসিবু চহী লীশিং-লীচা কয়াগী মমাঙদগী লৌশিং-পূক্কে শেম্লক্লিবা, লোইনাইদ্রবা লৌশিং পূক্কে ঙসি ফাওবা পুথরকপদা শীংথানিংঙাই ওইরবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লিবা ওজাশিংদা উৎফম থোকপা ঈকায়খুম্নবা, মীরোলসিনা উৎপা হৈত্রে খন্দুনা 'তিচর্স-দে' হৌদোক্লম্বা ঙসি ফাওবা হৈতরি।

খ্বাইদগী লীরবা সিভিলাইজেস-নশিংগী মনুংদা অমনি হায়নরিবা 'এনসিয়েন্ত ইন্দিয়ন সিভিলাইজেসন', চুম্নগী মেতরিয়েল সিভিলাইজেসন নৎখিদে। 'বেধিক লিতরেচর' - মালেমগী খ্বাইদই লীরবা লিতরেচরনি। চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদগী ওজাবু কয়ামুক ঈকায় খুম্না লোয়নরম্বগে, করম্বা থাক্তা থল্লম্বগে - অরিবা ৱারী লাইরিকশিং পারুরগা খঙলকই। ওজাশিংবু মমাংঙৈদা 'গুরু' হায়না খঙনরম্মী। লাই (দেব) গী মশক ওইবনি খন্দুনা 'গুরুদেব' মীংগৌনরম্মী। স্কুল-কোলেজ লাক্ত্রিঙৈ গুরুদুগী ময়ূমদা চাবা-থকপা তৌদুনা ময়ুমগুম্না লৈরম্মী। ঙসিগী রেসিদেন্সিয়েল - স্কুল-কন্সেপ্ত অসিনি। রামায়নগী মতমদদি নিংথৌমচা পুম্নমক, অতোন-অতাশিংদুগা 'বসিস্থ গুরু' গী আশ্রমদা পুন্না মহৈ তম্নরম্মী। মহাভারতকী মতমদদি 'রোয়েল স্কুল' লিংবগুম নিংথেমকোনগী মচা-মসু খত্তবু তাকপী-তন্বী তৌনবা 'দ্রোনাচার্য', 'কৃপাচার্য' গুম্বা রোয়েল তিচর থোরক্লে। মহৈ মপূম ফারগা 'গুরু-দক্ষিনা' হায়দুনা মহৈরোয়না ওজাদা খুদোল পীবা চৎনরকই। ক্রিমিনেল মোতিভ লৈবা শিশ্য (মহৈরোয়) দগী খূবী/খূদোন্বী 'গুরু-দক্ষিনা' ওইনা নীখিবা গুরুসু লৈখি মতমদুদা।

অদুগুম্বা লিগেসি, পারোন-পুরোন্দগী থঙথরকপা, ওজাশিংবু ঈকায়খুম্নবগী চৎনবী লৈবা লমসিদা, 'ওজাগী নুমিৎ' পাঙথোকপগী মওংসিমদি তশেংনা খন্থনীংঙাইনি। লাইগী শোয়দনবা থৌরম (রিচ্যুঅল) অমগুম পাঙথোক্লরকপা অসিনা 'তিচর্স-দে'গী মগুণ হন্থরকপনি। ঐখোয় শ্বায়গী খ্বাইদই চাউবা অশোয়বদি, মাগী মাগী খুদোংচাবা/চাদবা য়েংলগা সেপ্তেম্বর ৫ নত্তবা অতোপ্পা নুমিত্তা পাঙথোক্লরকপা অসিনি। ইন্দিপেন্দেন্স দে/রিপব্লিক দে/ ইরাবত দেনচিংবা অসিবু খুদোংচাদ্রে হায়দুনা য়ৈখৎপা-য়ৈথবা য়াবরা? তিচর্স-দেসু অদুমক্লি, অখন্নবা নুমিৎ অমনি, ওজাশিংদা কথোক্লবনি, হোংদোক হোংজিন তৌরোইদবনি।

অদুগা, তৌহঞ্জনিংবা (সজেসন) অমত্তংদি লৈ। তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা মখল কয়াগী এৱার্দ পীনবা অসিগুম 'বেষ্ট তিচর এৱার্দ' খরা, তোঙান তোঙানবা লেবেলদা ইন্সটিট্যুট তৌবগা লোয়ননা, মীনা কল্লকনিংঙাই ওইবা ভেল্যু লৈবা 'ষ্টেট এৱার্দ ফোর বেষ্ট তিচর' মীংথোনবা মনা অমত্তং লান্থোকপীরবা, মীনা মতৌ তম্নরক্নি। জর্মন চাঞ্চেল্লর, ২০০৫, সেপ্তেম্বর ২২ দগী ঙসি ফাওবা ওইরক্লিবা 'এঞ্জেলা মার্কেল্দা অতৈ প্রোফেসনদা লৈবা প্রোফেসনেলশিংনা 'ওজাশিংগা তলব মান্নহনবীয়ু' ৱাকৎপদা হায়খিবদু নীংশিংসি ... 'নখোয় পুম্নমকপু শেম্বীরিবা ওজাগা নখোয়গা মান্ননা য়েংবদি কদায়দগী য়াগনি...।' রাধাকৃষ্ণনগী ৱাখলসু অদুমক্লি।




লৌশিং পূক্কে

# নিংথম থাদা মীৎ, মায় ফজনা থম্নবা পান্থৈ

চাবা থকপসু মহাউ লৈবা, অরুম্বা ফিরোল শেৎচিল্লগা মৈফু তীত্তুনা ঙাইহাক টি ভি য়েংবসু অদুমক মনুংঙাইবা মতমনি নিংথম থা! অদুবু উনশা ইকং-কংবা, চেকখায়বা, শম কেনবা, শমদোল পোকখায়বা অমসুং খুনিং কায়বনচিংবা খুদোংচাদবা খরদি নিংথম থা খুদিংগী হেক হেক মায়োক্লে।



পুম্নমক অসিগী মথক্তা নিংথম থাদা হেক হেক মায়োক্লবা, মীয়াম্নদি থোইদোক্না থৌশানদবা খুদোংচাদবা অমত্তং হায়বা তারবদি মীৎ নুংঙাইতবগী মতাংদনি। উনশা অমদি শম ইকং-কংশিল্লকপগুম নিংথম থাদা মীৎসু ইকং কংশিল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা মীৎ মরেং-মরেং চৎপা, হাক্কৎচবা অমদি ঙাংশঙ ঙাঙশিল্লকপনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। নিংথম থাদদি ঙমদবা, মীৎ হাক্কৎচবা অমদি শারি-শারি লাউবা হেক-হেক থেংনৈ।

কনাগুম্বা অমগী মায়থোংদা ইহান হান্না মীৎতাফম ওইরিবসি মীওই অদুগী মমিৎনি। মীৎনবু ঙাংশঙ ঙাঙনা ইপোম-পোমখৎপা



মীৎতা য়াওজবা মোইচরগী শরুকশিং মনিল ওইনা মাঙখি। টিয়র গ্লান্দনসু মহী মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবদগী মীৎ ইকং-কংশিল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ময়েক শেংনা উবা তারবদি মায়থোংদা ফনা য়াম্না মকে শেমদুনা য়েকশিন-তৈশিল্লবসু ফজবা হায়বদু ওইবা য়ারোই।

মরম অদুনা নিংথম থাদা মীৎকী ফিভম ফনা অমদি ফজনা থম্নবা পান্থৈ খরা খঙমিন্নসি:-

- অঈংবা মরক্তা চৎথোকপা খুদিংগী অফবা মখলগী সনগ্লাস অমা উপ্পা কাউরোইদবনি। ৱাফম অসি খজিক্তং মরিং-মরাংবা ওইনা থোক্লম্বদি য়াই হায়ববু উফুল-ৱাইফুল অমদি অঈংবা নুংশিৎতগী ঙাকথোক্ল বগীদমক চৎথোকপদা আনোক উপ্পা য়াম্নমক তঙাইফদে।
- য়াম্না তোয়না ঈশিং অঈংবা চাইশিন্দুনা মীৎতগী অমোৎ-অকায়শিং চামথোক্লবা মতুংদা অফবা মখলগী আয়-ক্রিম অমসুং আয়-মোইচরাইজর শীজিন্নগদবনি।
- নুমিদাং খুদিংগী মীৎপান অকোয়বদা ভিটামিন ঈ য়াওবা থাউ তৈরেগা মসাজ তৌবা মথৌ তাই।
- নুপী ওইবিশিংনা মীৎকী মকে শেম্বদা মায়থোংগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা করি-করি মচু তৈবগে অমসুং করি করম্বা ফিরোল শেৎপগে হায়বদু য়েংলগা চান্নহনগদবনি।
- য়ারিবমখৈ ইশা ইশাগী মীৎকী মওং খঙদোক্কদবনি। কনাগুম্বা অমদা ফজরে হায়দুনা মীপুম খুদিংমক্তা লোইনা ফজগনি হায়বা করিসু লৈতে। মরম অদুনা ইশা-ইশাগী মীৎ মওংগী মতুং ইন্না কেগদবনি।
- মীৎ অনিমক্তা রোজ ৱাটর দ্রোপ খরা খরা হাপকদবনি। মসিনা মীৎ মরেং-মরেং চৎপা, হাকচ্চবা, শাবা অমদি ইকং-কংবা ফহনগনি।
- কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবশিংনা ডোক্টরগী পাউতাক লৌরগা চাং নাইনা আই দ্রোপ শীজিন্নগদবনি।
- নিংথমথাদা মীৎকী খুদোংচাদবশিং কোকহন্নব-গীদমক চাং নাইনা ভিটামিন এ অমদি ভিটামিন সি চাবা মথৌ তাই। এন্টিওক্সিডেন্টগী মগুণ চেনবা ভিটামিন এ অমদি ভিটামিন সি য়াওবা গাজর, হঙ্গাম, হৱাইথরাক, খামেন অশিনবা, কমলা অমদি অৱাথবীনচিংবা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং মরাং কায়না চাদুনা মীৎ হাকচ্চবা, ঙাংশং ঙাংনা পোমখৎপা অমদি ইকং-কংবা পুম্নমক ঙাকথোক্কদবনি।
- নুমিৎকী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রেডিয়েসননা উনশা শোকহনবগুম মীৎতসু অকায়বা পীবা মরম্না চথোক-খোৎতোকপদা সনগ্লাস অফবা অমা উপকদবনি।

# ফারমর্স ইন্টর ষ্টেট এক্সপোজর ভিজিট লমথাখ্রে, সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৪ (ঐচএন এস): কে ভি কে কামরুপ হোর্টিকলচর রিছর্স ষ্টেসন কাহিকুচি এন্দ এন আর সী পি, রানি গুৱাহাটিদা থা অসিগী ৯ ফাওবা চত্থগদবা ফার্মর ইন্টর ষ্টেট এক্সপোজর ভিজিট টিম ঙসি এদিস্নেল চীফ সেক্রেটারি (এগ্রি) ডা. সুহেল অকতার অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর পিঐচ রাজেন্দ্রোনা লমথাখ্রে।

এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সী, চূড়াচান্দপুর, তমেংলোং, ইম্ফাল ইষ্টনা স্পোন্সর তৌবা ফার্মর এক্সপোজর ভিজিট টিম অদু ঙসি এদিস্নেল চীফ সেক্রেটারি সুহেল অকতার অমদি এগ্রিকলচরগী দিরেক্তর পিঐচ রাজেন্দ্রোনা সঞ্জেনথোংদা লৈবা এগ্রিকলচর দিরেক্তোরেটকী গেট মমাংদগী লমথাখি। এক্সপোজর ভিজিট টিম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লৌমী কয়ানা শরুক য়ারি। টিম অসিনা থা অসিগী ৯ ফাওবা গুৱাহাটিগী কে ভি কে কামরুপ, হোর্টিকলচর রিছর্স ষ্টেসন কাহিকুচিদা চত্তুনা য়েংগদৌরি। টিম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা গুৱাহাটিগীদমক বসতা ইম্ফাল থাদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি ব্যুজিনেস কন্সোতিয়মনা শিন্দুনা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম ওফ ইম্পাৱরিংগী থৌরম ঙসি সঞ্জেনথোংদা দিরেক্তোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটারি সুহেল অকতারনা হায়খি, লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরম কয়া লৌমীশিংদা মতম চানা খঙহনবা তঙায়ফদে। মতমগা চুনবা লৌউ পথাপশিং শীজিন্নদুনা পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা চঙই। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, অত্মাগী মীওইশিংনা ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবা অমদি অনৌবা লৌউ পথাপ কয়া লৌমীশিংদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর পীঐচ রাজেন্দ্রোনা হায়খি, মণিপুর স্মোল ফার্মর এগ্রি ব্যুজিনেস কন্সোতিয়ম, এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী মীওইশিং, দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা লৌউ শিংউগী হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক তৌবা চঙই। লৌউ শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্নবগীদমক মতমগা চুনবা লৌউ পথাপশিং শীজিন্নবা তাই। মসিগী তঙায়ফদবা হীরমশিং অসি ওফিসলশিংনা লৌমীশিংদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। দেমোন্সত্রেসন প্রোগ্রাম কয়া মফম কয়াদা পাঙথোকপসু লৈরে। লৌউ শিংউগী পোথোক হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহনবা হায়বসি য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনসু লৌমীশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎনবা শেম শারি। অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা থবক মতম চানা তৌবা চঙই। লৌউবা মতমদা তঙায়ফদনা পায়খৎপা য়াবা হীরমশিং অসি মতম চানা পায়খৎপা তাই। লৌ থারবা মতুংদা থোক্লকপা তোঙান তোঙানবা লায়না মখল কয়া মতম চানা ঙাকথোক্ল বগীদমক করি করি শীজিন্নগদগে হায়বা অসিসু খঙবা চঙই। অখঙ অহৈ কয়ানা খঙহনবা ৱাফমশিং লৌমীশিংনা খঙহৌনবা হোৎনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর স্মোল ব্যুজিনেস কন্সোতিয়মগী কেঐচ মোহেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী থৌ পুবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ওজাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি, লৈঙাক্নসু ওজাশিংগী অৱাবদা য়েংশিনবীয়ু: এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৪ (ঐচএন এস): ওজাশিংগী নুমিৎ সেপ্তেম্বর ৫ না লাকপদা প্রাইমারিদগী যুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা মহৈরোয়শিংগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌরিবা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটারি এম জদুমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা ওজাশিংগী পন্দুনা লৈরিবা খুদোংচাদবশিংসু য়েংশিনবীয়ু। ওজাশিংগী ওইবা প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা একাদেমি গ্রেদ পে শেমদোকপীদবা, ওজাশিংগী এম জি ঈ এল শেম্বা লোয়শিন্দবা, প্রমোসন আর আর চুমদবা, ওজাশিংগী হেল্ঠ ইনসুরেন্স স্কীম হৌদোক্তবা, ওজাশিংগী সেলেক্সন বোর্দ লৈতবা, মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন্না চাং নায়না ওজাশিংগী রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকপীদবা, দেপ্যুটি দিরেক্তরদগী দিরেক্তর ফাওবগী পর্মিনেন্ট আর আর লৈতবা অমদি ওজাশিংদা তরেৎশুবা পে পীবীনবগী থৌরাং তৌদবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

এদ্যুকেসনবু থাক ৱাংখৎনবা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না ওজাশিংগী ওইবা প্রোব্লেমশিং অসি য়েংশিনবীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। ওজাশিংগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মতম কয়াগী মমাংদগী থেংনদুনা লাকখ্রবনি। ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক্না ওজাশিংগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া অসিদা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক ওইনা অথুবদা ওন্থোকপীনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। ওজাশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মহৈরোয়শিং তাকপী তন্বীরিবা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৪ (ঐচএন এস): হন্দক মরক লমদম অসিদা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা অৱাবা তাখ্রবশিংদা তেঙবাংনবগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি টিচর্স এসোসিয়েসন (এমেষ্টা) না লুপা ৩,৫০,০০০ তেঙবাংখ্রে।

ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি টিচর্স এসোসিয়েসন (এমেষ্টা) গী মায়কৈদগী লুপা লাখ ৩.৫০ অদু অৱাবা তারবশিংগী চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা তেঙবাংখিবা শেনফম অদু ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উন্নদুনা খুৎশিন্নখি। চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা তেঙবাংখিবা শেনফম অদু চীফ মিনিষ্টর মশাদা খুৎশিন্নখিবা অদুদা ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি টিচর্স এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সীঐচ শান্তকুমার, এসোসিয়েসন অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং অমদি এসোসিয়েসন অসিগী চাংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।



পনবা য়াবদি, হন্দক মরক ষ্টেট অসিদা নোং চুবদগী থেঙখাং কয়ারক্তা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা অৱা অনা তাখ্রবশিংগী মতেঙ ওইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন-শিং, লন্নাই মীওইশিং অমদি লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী কয়ানা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা শেনফম কয়া তেঙবাংখিবা লৈখ্রবনি। এমেষ্টাগী মায়কৈদগী অৱাবা তারবশিংগী সী এমগী রিলিফ ফন্দদা তেঙবাং পীরকখিবা অদুগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা এমেষ্টাগী থৌমীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

# স্বাছ ভারত পাখ্বদাগা মরী লৈননা প্রাক্তিসিং স্কুল ককচিংদা পেন্তিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর০৪ (ঐচ এন এস): স্বাছ ভারত পাখ্বদাগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ত্রেনিং (দি আই ঈটি) ককচিংগী ষ্টাফ অমসুং ত্রেনিংশিংগা খুৎশম্নরগা দি আই ঈ টি ককচিংগী প্রিন্সিপাল দব্লিউ পুন্যবতিগী লীচিং মখাদা প্রাক্তিসিং জুনিয়র হায়স্কুল ককচিংদা পেন্তিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

মেক এ হেলদি ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা থিমদা য়ুন্থম ওইদুনা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপগী থৌরমদা ক্লাস সিক্সতগী সেভেন ফাওবগী মনুংদা তল্লিবা মহৈরোয় ১০৮ গী মথক্তা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাখিবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং ওজাশিংগী নুমিত্তা স্কুল অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না দি আই ঈ টি ককচিংগী প্রোগ্রাম ইন-চার্জ টি বিশ্বলতানা ফোঙদোরক্লি।

থাখায় অমা চত্থগদবা স্বাছ ভারত পাখ্বদাগী প্রোগ্রাম অসি এন সী টি ঈগী গাইদলাইন মতুংইন্না এস সী ঈ আর টি মণিপুরগী মখাদা পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুবু মপুং ফানা পাঙথোকপদা অচৌবা মতেঙ পীরকখিবগীদমক প্রাক্তিসিং জুনিয়র হায়স্কুল ককচিংগী হেদ মাষ্টর, ষ্টাফ অমদি শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংবু দি আই ঈ টি ককচিংগী প্রিন্সিপাল পুন্যবতিনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি। থা অসিগী ১ দগী হৌনা চত্থরকখিবা স্বাছ ভারত পাখ্বদাগী থৌরমগা মরী লৈননা ক্লাস সিক্স অমদি সেভেন তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা ঙসি প্রাক্তিসিং জুনিয়র হায়স্কুল ককচিংদা পেন্তিং কম্পিটিসন অদু পাঙথোকখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখাতারি।



HL-P/2553/5,9,13,17,21,25,29 Sep& 3,6 Oct.